HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি এল তিলোতমানা বি জে পিগী অরোনবা শক্তম অসি মীয়াম পূন্না খঙমিন্নসি হায়দুনা ফোঙদোকখিবা

কনানসু লৌবীদবা ৱা অমা
☛ লামায় ২

এক্সিদেন্টদা ১ শিরে ২ শোক্রে
☛ লামায় ৩

এন ঈ পি ২০২০গী মতাংদা ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৬

জেলদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা ফাদোক ৬ কী মনুংদা ৪ অমুক হন্না ফাবা ঙমখ্রে
☛ লামায় ৮

লমশাং এ সীগী মনুং চনবা অৱাং পোৎশংবম খুল্লেনগী কিদনি অনীমক ফেল ওইবদগী অরুবা ফীভমদা লৈরিবা এন আশানন্দদা লাইক মান্দেদ গ্রুপনা লুপা লিশীং ২০গী শেনফম তেংবাঙখিবা

ꯂꯥꯏꯛ ꯃꯥꯏꯟꯗꯦꯗ
LIKE MINDED GROUP
LMG
MANIPUR

Vol. 45, Issue No. 248 | ইরাই, হিয়াঙ্গৈগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, December 03, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

বি জে পিগী অরোনবা শক্তম মীয়াম পূন্না খঙমিন্নসি : তিলোতমা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা এজেন্দা য়াওদনা মীখল থেংনগদৌরে, মসিদগী মণিপুরগী মীয়াম্না চেকশিলহৌসি হায়না এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি এল তিলোতমানা বি জে পিবু মরাল শীখ্রে।

ঙসি ককচীং কৈথেলদা লৈবা বি সী সীগী ওফিসতা ককচীং দি সী সী অমসুং ককচীং বি সী সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা থৌরম অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ককচীং দি সী সীগী প্রসিদেন্ট ঈ মংলেম, বি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোহল, এম পি সী সীগী সেক্রেটরি সিরাজ অহম্মদ, এন এস য়ু আইগী প্রসিদেন্ট কবির, ককচীং এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিং নাওরেম কোবি, য়েংখোম নিলচন্দ্র অমসুং কে এস ঐচ কেনেদি অমদি ককচীং বি সী সীগী থৌপুবশিংসু শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, এজেন্দা য়াওদনা মীখল থেংনরকপা হায়বসি মীয়ামগীদমক য়াম্না লুবা খোঙথাংনি। মখোয়না মায় পাকখিবা তারবদি মখোয়গী মথক্তা ঐখোয়না করিগুম্বা অমত্তা হায়রুবা ঙম্লোই। ময়োল লমগা খরা হেন্না চুনবা অদুগা ঐখোয়গী মণিপুরগুম্বগী চানদবা অসিগুম্বা বি জে পিনা চথুরক্লিবা ইন্দিজেনস কাউন্ট তৌদবা মখোয়গী চৎনকাঙলোনশিং অমদি কন্সটিট্যুসনবু খোঙ্গাওনবা আইদিওলোজি কয়াসিনা চঙশিল্লকপা তারগদি মণিপুর অসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি জুগী কা অমদা থল্লবা সিনা মৈতৈনি, সিনা মীতৈ পাঙলনি হায়বনচিংবা মশক তাক্লকপগী ফীভম অদু তারক্কনি। মরম অসিনা বি জে পিগী অরোনবা শক্তম অসি মীয়াম্না পূন্না খঙমিন্নরসি হায়খি।

মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্কদৌরবা য়াম্না চিরবা মতমসিদা বি জে পিনা মীয়ামগী মমাঙদদি নিংথিজবা, ফজবা থবক থৌরম কয়া অমা হায়রি। মীয়ামগী মীৎ থক্কৎকন্দবা ময়াম অমসু তৌরি। খুদম ওইনা গো টু হিলস, গো টু ভিলেজনচিংবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

আর কে ইমো ১সুং য়ামথোং হাওকিপগী মথক্তা দিসক্কালিফিকেসনগী থবক লৌখৎলে

এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস) : হৌজিক মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বরশিংগী মরক্তা পার্টি অমদগী অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌখিবা এম এল এ খরা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা লীংলিবা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেললনা দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন কোংগ্রেস পার্টিদগী মমাঙ থাগী ৮দা বি জে পিদা চোঙশিনখিবা ১১-শগোলবন্দগী এম এল এ আর কে ইমো অমসুং ৪৬-সাইকুল (এস টি) কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকী মথক্তা দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং লৌখৎপীনবা ত্রাইব্যুনেল অসিদা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবগী মতুংইন্না স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলগী মায়কৈদগী এম এল এ ২দা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা কোংগ্রেস এম এল এ অনীবু টেন্থ সেদ্যুলগী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মশাগী পার্টিদগী দিফেক্ট তৌরগা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওশিনখিবগীমক মখোয় অনীগী মথক্তা দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং লৌখৎপীননবা স্পিকরনা প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা ত্রাইব্যুনেল অসিদা মমাঙ থাগী ২২দা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসনশিং অদু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ইলেক্সন এন্দ মীদিয়া) ওইরিবা মোংশাঙ্গৈ ময়ায় লৈকায়দগী সোইবম জিতেন (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস নবকুমারনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

নোটিসকী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পীরক্কদবনি, দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিংনা দিসেম্বর ১৮দা পাঙথোক্কনি

পিটিস্নর অসিগী পিটিসনশিং নুমিৎ অদুমক্তদা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলগী মায়কৈদগী এসেমব্লিনা মথংশিংনা রিসিপ্ট নম্বর ১৬৩ অমসুং ১৬৪গী মতুংইন্না ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখি। অদুগা টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লৈরিবা ত্রাইব্যুনেল অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরনা মহাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা দিসক্কালিফিকেসন তৌবীয়ু হায়রক্লিবা এম এল এ ২গী মথক্তা মসিগী প্রোসিদিং লৌখৎপা য়ানবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং চয়োল অমগী মনুংদা লোইশিল্লগা থাগৎলক্কদবনি হায়বা ইন্সত্রক্সন পীরগা পিটিসনশিং অদু থাদখিবনি।

ত্রাইব্যুনেল অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসরগী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না ঙরাং এম এল এ ২গী মথক্তা দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং লৌখৎনবগী মাঙওইনবা মথৌ তাবা থবকশিং লোইশিনখিবনি অদুগা ঙসি এম এল এ ২গী মথক্তা এসেমব্লিগী সেক্রেটরি কে

...মখা লামায় ৩ কলম ২

য়াইস্কুল এ সী খক নত্তনা মণিপুরদা অওনবা পুরকহনগনি : বিক্রমজিৎ

১৪-য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ১৪-য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা হুইদ্রোম বিক্রম (৫৬)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারক্লিবনো অমদি য়াইস্কুল এ সীগী অমদি মণিপুর মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্নবা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : ঐহাক্কী য়াইস্কুল এ সী অসি শুপ্নগী কিলোমিটর ৫ না কোনবা ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা মফম অমনি। অদুবু এ সী অসিদা ঙসিসু অৱাৎপতনা পীক থন্না লৈরি। কোনুং মমাংদগীনা কোংবা ফাওবগী লন্মী ফৎতনা লৈরিবা লন্মী অসি য়াম্না শেমনিংখি অদুবু গভর্ণমেন্টকী ওঠোরিটি ওইদবনা শেন্বা ঙমদে। এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফীভম ফৎতনা লৈরিবা লন্মী-থোং অমদি দ্রেন, মীয়াম্না ফংফম থোকপা লৈঙাক্কী পায়খৎলিবা স্কিম কয়াগী চাকথুংশিং ফংদনা লৈরিবা, ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিবু অপগ্রেদ তৌনিংবা, নহা কয়া থবক ফংদ্রিবা, দিভেলপমেন্ট পুরকপা পাল্লিবা ময়াম অসি কোক্লনবা হোৎনবা পাল্লবসু গভর্ণমেন্টকী ওঠোরিটি অমা ওইদবনা শেন্বা-শাবা য়াদবা মরম্না মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদুনা গভর্ণমেন্টগা তাথোক-তাশিন তৌরগা য়াইস্কুল এ সী খক শেমগৎ-শাগৎপা নত্তনা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকে হায়না পোলিটিক্স অসিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা কর্ণাটকাদা ওমিক্রোনগী কেস ২ থেংনরে

সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখ্রবা মতুংদা লৈবাক ২৯দা শন্দোরক্লে

OMICRON
COVID-19

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : মালেমগী মীওইবা পূম্নমক্কী য়েক্লবা ওইরিবা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী অনৌবা ভেরিএন্ট অমা ওইরিবা ওমিক্রোন ভেরিএন্টবু সাউথ আফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখ্রবা মতুংদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাক ২৯দসু মথং মথং শন্দোরকপগা ইরোয়নন ৩০শুবা লৈবাক ওইনা ইন্দিয়াদসু য়ৌশিল্লক্তুনা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা কর্ণাটাকাদা ওমিক্রোন ভেরিএন্টগী কেস অনী থেংনরে হায়রি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগ্রৱালনা ঙসি পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী ওমিক্রোন ভেরিএন্ট ২ থেংনরে। কেস অনীমক কর্ণাটকাদগী ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা কোভিদ-১৯গী ভেরিএন্ট অসিবু মায়োক্লরবা পেসেন্ট অনীমক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শাথীবা লায়না অসিগী সিম্পটমশিং মায়োক্লদ্রি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অসিনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কর্ণাটকাদগী থেংনরিবা কেস অনীমক অসিগী প্রাইমারি কন্টেক্ট পুম্নমক অমসুং মখোয়গী সেকেন্দরি কন্টেক্টশিং থিদোকপগী থবক চথুরি অমসুং মখোয়শিং অদুসু লোইনা টেষ্ট তৌরগনি হায়খি।

অদুগা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট অসি ইহান হান্না সাউথ অফ্রিকাদা থেংনরবা মতুং অতোপ্পা লৈবাক ২৯দা শন্দোরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা ৩০শুবা লৈবাক ওইরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি মাঙজৌননা অনৌবা ভেরিএন্ট অসি শন্দোরকহন্দনবগীদমক

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ওদিষা গভর্ণমেন্টনা হোকরশিংগী স্কিম ১ লাউথোকখ্রে

এক্সিদেন্টদা শিবগী তেংবাঙ লুপা লাখ ২, নেচরেল দেথ ওইনা শিবদনা লুপা লাখ ১ পীরগনি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তা পাউচে (ন্যুজ পেপর) য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা হোকরশিংগীদমক্তা লৌখৎলকপা অনৌবা খোঙথাং ওইনা ওদিষাগী ওইনদি ষ্টেট অদুদা লৈরিবা ন্যুজপেপর হোকর পূম্নমকপু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা ষ্টেট অদুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টনা হোকরশিং অদুগী রেকোর্দশিং দিজিটেল দাটা বেজ অমদা রেকোর্দ তৌদুনা থম্লগনি হায়বগা লোয়ননা হোকরশিংদা আইদেন্টিটি কার্দশিং পীরগনি অমসুং মখোয়না মায়োক্লরকপা খুদোংথীবা থৌদোকশিংগী মতুংইন্না তেংবাঙ শেলশিংসু পীরগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ওদিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনায়কনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্কী ওফিসতগী থোকখিবা চেরোল অমদা লাউথোকখিবনি।

ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতগী থোরকপা চেরোল অদুগী মতুংইন্না ওদিষা অনওর্গনাইজ ৱার্করস সোসল সিক্যুরিটি বোর্দ (ও য়ু দব্লিয়ু এস এস বি)তা রেজিষ্টর তৌরিবা ন্যুজপেপর হোকর পূম্নমক্তা সোসল সিক্যুরিটি পীরগনি হায়রি।

অনৌবা স্কিম অসিগী মখাদা কনাগুম্বা হোকর অমনা এক্সিদেন্টনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা য়াওরবদি মহাক্কী ইমুংদা লুপা লাখ ২গী শেলগী তেংবাঙ পীগনি হায়রি। অদুগা কনাগুম্বা হোকর অমনা নেচরেল দেথতা লৈখিদবা ওইরবসু লুপা লাখ ১গী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

নুপী শুমাং লীলা কম্পিটিসন লোইশিনখ্রে

ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী 'পেন্দ্রবা খুন্নাইগী মৈরিদা' না বেষ্ট প্রদক্সন ফংখ্রে, অরোইবা নুমিৎতা 'অমম্বা অমদি অঙানবা মণিপুর' উৎখ্রে

COMPETITION

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা 'ৱিমেন ইন ফ্রীদম ষ্ট্রগল' হায়বা থিমদা মমাঙ থাগী ২৫দগী ঙসি ফাওবদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথুরকখিবা নুপী শুমাং লীলা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

সেন্টরনা সর্ভে তৌরগা টিকেট পীরকপা মীশক্তু থাগৎপীরকউ : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস) : বি জে পিদা মীরেপ ওইনা থোরক্লিবা অমসুং থোরক্লবা থৌরাংলিবা খুদিংমক কনানসু টিকেট পীবা ঙম্লোই। এ সী অমদা এম এল এ ময়াম অমা লৈবা য়াবা নত্তবনিনা সেন্টরনা টিকেট পীরক্কদবা অসি অমখক্তনি। মতমদুদা মীয়াম অকিবা লৈতনা নুংঙাইনা লৈবা ফংনবা বি জে পিগী মীহুৎতা ময়াম পূন্না শৌগৎপীরকউ হায়না চীফ মিনষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি ৱাংখেম মন্দলনা শীন্দুনা ৱাংখেম গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অমদি বি জে পি লিলোং মন্দলনা শীন্দুনা লিলোং হাওৱৈবী কোলেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা পোলিটিকেল কনফরেন্সশিংদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাংখেমদা পাঙথোকপা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক সেন্টরনা মী থাদোক্তুনা য়াম্না কূপ্না সর্ভে তৌরিবনি। হৌজিকসু অমদা অমদা য়াম্না কূপ্না হংলমগনি। মদুগী সর্ভে অদুগী রিপোর্ট মতুংইন্না টিকেট পীরক্তুনা মরাইবক ফবা অমদি ওইদৌরিবনি হায়রদুনা অদুগুম্বা সেন্টরনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

[illegible]
LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৮.৯৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৮.৪১°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

HL Poll

Q: Speakergi Tribunalna disqualification proceeding election mamangda mapung fana pangthokpa ngamgani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19gi anouba variant omicron youraktanaba leingakna mangjounaba cheksin thourangsing loukhatfam thoktabra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- মীখল মমাঙসিদি মীয়াম দোলাই তোংহন্দুনা হরাউহনগে?

- [illegible]



- কারবা মতুংদা দোলাইসে কূ ওন্থোকসে।

- [illegible]

অনৌবা অমনা মহুৎ শিন্নবা কংলাগী সনথোংদা খিল্লিবা নরসিংহগী মীতম ফূক্তোক্কদৌরি

পুৱারীগী লিক্লম...

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা চহী ৭ হেনবগী মমাঙ ওগষ্ট ২৮, ২০১৪দা মতম অদুগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নর (আর্ট এন্দ কলচর) আর কে নিমাইনা মায়খুম হাংদোক্তুনা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোং চঙফমগী অৱাং থংবা শরুক্তা খিল্লক্লিবা ময়াম্না 'মহারাজ নরসিংহ' হায়রগা হেন্না খঙনরিবা মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন সেন্ত্রেং মনিখোম্বগী মীতম অসিগী মহুত্তা অনৌবা হেন্না চাউবা অমসুং ৱাংবা মীতম অমা মফম অসিমক্তদা অমুক হন্না খিন্নবগীদমক হান্নদগী লৈরক্লিবা মীতম অসি লৌথোক্কদৌরি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা অনৌবা থৌরাং অসিগী মতাংদা পাউচে অসিগা হকথেংননা উনরুবদা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তমনা হায়, হৌজিক লৈরিবা মীতম অসি মতমগা চুনবা ৱাৎপা মরম্না হেন্না চুনবা মওংদা অমসুং মীয়াম্নসু য়েংবদা ময়েক লানা উহন্নবগী পান্দমদা মহুৎ শিন্নবা অনৌবা মীতম অমা শাবা লোইশিল্লক্লে। অনৌবা মীতম অসি পূন্না ফিট ৩০ ৱাংগনি হায়বগা লোয়ননা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা মহুৎ শিঞ্জিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

নোঙ্গাখ্রবা ইনিংথৌ নরসিংহগী মতিক ময়াই উৎপা অমদি মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপদা হান্নগী মীতম অসিনা খরা পীকপনা মতমগা চুন্দবা হায়বদু ওইরে। অদুনা মহুৎ শিনজিনগদৌরিবা অনৌবা মীতম অসিগীদি মখোঙগী শরুক্না ফুট ১২ ৱাংলগা মহারাজ নরসিংহনা তোংলিবা শগোলদগী হৌরগা মীতম অসিনা ফুট ১৮ ৱাংলগা পূন্না ফুট ৩০ ৱাংগনি হায়রি।

অনৌবা অৱাংবা মীতম অসি খিন্নবগীদমক এক্সপার্ট কম্মিটিনা খন্নরবা মতুংদা বডজেটতা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

PROJECT BY:
PCPL

PANTHOIBI GREEN HOMES
Khaham Bamdiar, Imphal West
14 mins from Imphal International Airport

DEVELOPMENT CONSULTANT:
MIPAX

PRICES STARTING FROM
1 BHK - RS. 17.9 LACS*
2 BHK - RS. 27.9 LACS*
3 BHK - RS. 33.9 LACS*

RERA APPLIED

PLEASE VISIT:
Panthoibi Constructions Pvt. Ltd.
Uripok Tourangbam Leikai

AMENITIES
1. CLUB HOUSE
2. SWIMMING POOL
3. DEPARTMENTAL STORE
4. 24X7 SECURITY
5. SPORTS CENTRE
6. RECREATIONAL PARK
7. GYMNASIUM
8. LIFT
9. POWER BACKUP

PRE-BOOKING OPEN
T&C Applied

panthoibiconstructions.com
@panthoibiconstructions
@panthoibiconstructions

10% DOWNPAYMENT
REMAINING AMOUNT AT EASY MONTHLY INSTALMENTS @ 6.9% PER ANNUM

HL-P/7324/1 to 30 Dec.